**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18-02-2026)**

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবশিং মশা মশাগী য়ুমদা হনজিলহন্নবা হোৎনরগনি। ৱাফম অসি কুম্বী কেন্দ্রগী মীয়ামনা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দবু ওকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি।

কুম্বী কেন্দ্রগী এম.এল.এ. সনসম প্রেমচন্দ্রগী য়ুমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-রাজ্য অসিদা শান্তি পুরক্তনা চাউখৎপা লম্বীদা মায় ওনশিনবা ঙম্লোই। মরম অদুনা শান্তি পুরকবা হোৎনবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি। মনিপুরদা হৌখিবা ইং ২০২৩ গী মে অহুমদগী থোকখিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীয়ামগী মতাংদা পল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রি-খেমচান্দনা হায়-ফুরুপ অনিগী মরক্তা থোকখিবা থৌদোকশিং অদুনা অমগা অমগা থাজনবা ঙমদবদগী চংথোক চংশিন তৌবদা মতম খরা লৌবগী মমি তাই। অদুবু, খুল থংননা লৈবা মফমশিংদদি মাগী মাগী য়ুমদা চংদুনা লৈনবা হৌরে।

সুগ্ অমদি নাপৎ শমরিবা থোং হেক শঙ্গাবা লোয়বগা মফম অদুগী অকোইবদা লৈবা লাঞ্জেন্নরিবা মীয়ামসু মাগী মাগী য়ুমদা হনজিলহন্নবা হোৎনরগনি। মীয়ামনা মাগী মাগী য়ুমদা হনজিনজগে হায়বদা অথিংবা পীরকপশিং অদু মশক খঙদোক্লগা মখোয়গী মথক্তা করি থবক লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু খন্নগনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এম.এল.এ. টি. রোবিন্দ্রো অমদি বিষ্ণুপুর জিলাগী সিভিল অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংসু শরুক য়াখি।

**সনাজাউবা (এল)ঃ** রাজ্য সভা সদস্য-মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা ঙসি ৱাঙ্গোই দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোল শানবা উরেপ উয়ুং তমখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাঙ্গোই বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চনবদা পায়খৎকদৌরিবা হোল অসি এম.পি. লোকেল এরিয়া দিবলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা শেমগৎকদবনি।

শ্রী সনাজাউবনা হায়-ৱাঙ্গোই দ্রামাটিক য়ুনিয়ন অসি মনিপুরদা লৈবা দ্রমাটিক য়ুনিয়নশিংগী মনুংদা অরীবা দ্রামাটিক য়ুনিয়ন অমনি। মসি ইং কুমজা ১৯৪৪ দা লিংখৎখিবনি। হোল অসিগী ফিভম ফত্তবদগী নৌনা শানবা উরেপ উয়ুং তমখিবনি।

থৌরমদুদা হান্নগী মন্ত্রি-ওইনাম লুখোই অমদি ৱাঙ্গোই দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট-বি.কে. ৱাহেংবা শরুক য়াখি।

**বিরেন (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী নিলাকুথিদা লৈবা নিলাকুথি মখা লৈকাই কম্মুনিতি হোল ঙসি হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা শঙ্গাখ্রে।

কম্মুনিতি হোল অসিনা মীয়ামগী লীপুন চেৎশিলহন্নবা অমদি পুন্না চাউখৎমীন্ননবগী মীৎয়েংদা শেমগৎপনি। মহাকা হায়-হোল অসিনা পুন্না চাউখৎমীন্নবা, অমগা অমগা ভাব তামীন্নবা অমদি নুংশি চান্ননা হিংমিন্ননবগী মফম অমা ওইরগনি।

**সেন্সস (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈবুল লমজাউ নেসনেল পার্কতা লৈরিবা শঙাইশিং মশিং থিবগী থবক থা অসিগী ২০ দগী ২৭ ফাওবা চত্থগনি। হায়রিবা মতম অসিদা নেসনেল পার্ক অসি মীয়ামা চংবদা অথিংবা থমখ্রে।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালনা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগা খুৎশমরগা ‘মেন এস এলাইসঃ এঙ্গেঞ্জিং মেন ইন ৱিমেন ইম্পৱারমেন্ট হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা হয়েং অকাশবানি ইম্ফালগী

ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

**কৈরাও (এল)ঃ** ফুরুপ অমগা অমগা ইকায় খুমনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নদুনা অপুনবগী শক্তম শাগৎনবগী ৱাখল্লোনদা ফুরুপ খুদিংমক্কী লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা মফমশিং শেমগৎ শাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি হায়না এম.এল.এ. লৌরেম্বম রামেশ্বরনা ফোংদোকখ্রে।

ৱাফম অসি কিয়ামগৈদা লৈবা লাইনিংথৌ খাগেম্বা মচা ইবুংঙোগী নৌনা শাবা সনা শঙলেন শঙ্গাবগী থৌরমদা এম.এল.এ. রামেশ্বরনা ফোংদোকখিবনি। তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মীওই কয়ানা অথেনপোৎ কাদুনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শা রামেশ্বরনা হায়-কৈরাও কেন্দ্র অসি মৈতৈ, হিন্দু, ইস্লাম অমদি খৃষ্টান লাইনিং চৎপা মীওই পুন্না খুদামিন্নরিবা মফমনি। ফুরুপ খুদিংমক অমনা অমবু ইকায় খুমগদবনি। কেন্দ্র অসিগী মনুংদা চর্চ, ইদিগা লাইশঙ অমদি মন্দিরনচিংবা কয়া শাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। মখা তানাসু মফম কয়াদা নৌনা শাবগী থবক চত্থরি। মসিনা অমত্তা ওইনা চাউখৎমীন্নদুনা নুংশি চান্নবগী লম্বীদা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

অমরোমদা, কৈরাওদা লৈবা আয়ুস হোস্পিতাল অসি হোমিওপেথিগা পুনশিন্দুনা অফবা অনা লায়েংশঙ অমা ওইহন্নবা থৌরাং পায়খৎলে। ভারতকী অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মনুংদা অমত্তা ঙায়রবা আয়ুস হোস্পিতাল অসি মথং চহিদগী সিট ৫০ লৈবা ডাক্তর তম্ফম ওইহন্নবা থৌরাং পায়খৎলে হায়নসু শ্রী রামেশ্বরনা মখা তাখি।

**রিমস (এল)ঃ** ডাক্তর অমদি ইঞ্জিনিয়ারশিং পুন্না চৎমীন্নদুনা হকশেলগা মরী লৈনবা থবকশিং হেন্না খুমাং চাউশিন্নবগী পান্দমদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা জাতি থাক্কী খন্ন-নৈনবগী থৌরম ঙসি রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালদা হৌখ্রে।

রিমসকী বের্ন্টিং হোলদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদু মেদ এঙ্গেজঃ য়ুনাইটিং ক্লিনিসিয়ান এন্দ ইঞ্জিনিয়ার ফোর বাইওমেদিকেল ইনোভেসন (য়ু.সি.ই.বি.আই) ২০২৬ হায়বা হীরম অসিদা পাঙথোকপনি। হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা রিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-জি.সুনিল কুমার শর্ম্মনা হায়-অনা লায়েংগী থবকশিংদা ইন্টরদিসিপ্লিনারি কোলাবোরেসন তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মহৈরোইশিং অমদি হকশেলগা মরী লৈনবা থবক তৌরিবশিংনা লাইরিক্তা য়াওবা ৱাফম খক্তদা মায় ওনশিনবগী মহুৎতা অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা মায়কৈ কয়াদগী করি করম্বা লৌশিং তানশিনবা য়াবগে হায়বদু য়েংবা তঙাইফদে। পাঙথোক্লিবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অসি মায় পাকহনগে হায়রবদি মসিদগী থোরকপা ৱাখল্লোনশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা মীয়ামগী হকশেলদা হেন্না ফাহনবদা মতেং পাংবা ঙমবা হোৎনবা চংই হায়খি।

**গেলারি (এল)ঃ** ইম্ফাল আর্ট গেলারি লিংখৎখিবগী অনিশুবা কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ক্বাকৈথেল বজারদা লৈবা মসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা অন-ফ্রেদিং হায়বদি শিথবা নাইদ্রবা নুমিৎ মঙানি চথুগদবা আর্ট ইগজিবিসন অমসু হৌদোকখি। ইগজিবিসন অসিদা মনিপুরগী শকাইরবা আর্টিষ্ট-লাঙ্গোলজম শামু সিংহনা য়েক্লম্বা তোঙান তোঙানবা ২০ হেন্না উৎলি। লাঙ্গোলজম শামু অসি মনিপুরদা ফাইন আর্টসকী ইহৌ শাগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীওই অমনি। থৌরমদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা ভিজয়েল আর্টকী লমদা শকাইরবা আর্টিষ্ট-সলাম অনিলনা হায়-মনিপুরদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা লৈরবদি মপান লমগী লম কোইবা কয়া রাজ্য অসিদা লাক্কুনা রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোনদা চাউনা কান্নবা পীরগনি। মহাকা হায়-মপান লমগী লম কোইবশিংনা রাজ্য অসিদা লাকপদা মনিপুরগী লৈজরিবা অয়েকপা লাইশিং য়োন্দুনা রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোনদা

চাউনা মতেং পাংবতা নত্তনা আর্টিষ্টশিংবু পুকিং থৌগৎপদা অচৌবা মতেং ওইগনি।

**হোম (এল)ঃ** হোম গার্দ পার্সোনেলশিংনা সরকারগী নত্তবা থৌরম শরুক য়াবা অমদি প্রেস মিটনচিংবা তৌবদা মাংজোননা অয়াবা লৌগদবনি হায়না থোকখিবা হুকুম অদুগী মায়োক্তা মনিপুর হায় কোর্টতা ৱাকৎলকপদগী হীরম অসিগী মতাংদা পাউখুম পীরকবা হায় কোর্টনা খণ্ডহনখ্রে।

মনিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা কম্মান্দেন্ট জেনরেল হোম গার্দসু ওইরিবা রাজ্য পুলিসকী দি.জি.পিনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১১ দা থোকখিবা হুকুম অদুগী মায়োক্তা ৱাকৎখিবনি। লোয়ননা জষ্টিস-অহন্থেম বিমোলগী কোর্টতা ঙরাং হিয়ারিং চথুরবা মতুংদা দি.জি.পিনা থোকখিবা হুকুম অদুগী মরক্তা চৎনবা য়াবা রাই অমা পীনবা লাক্লিবা এপ্রিল ৮ দা অমুক হন্না খন্ননবা মতম লেপখিবনি।

**মীখলঃ** ইলেক্সন কম্মিসননা ঙসি রাজ্য ১০ গী রাজ্য সভা সিট ৩৭ কী মীখলগী মতম লাউথোকখ্রে।

কম্মিসননা হায়-মীখলগী নোটিফিকেসন থা অসিগী ২৬ তা থোক্কনি। মার্চ মঙা ফাওবদা মীরেপ চে পীশিনবা য়াগনি। মীখল মার্চ ১৬ তা পাঙথোক্কনি। মখোয়গী মতম লোয়রগদবা রাজ্য সভা সদস্যশিংগী মনুংদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-রামনাথ ঠাকুর, রাজ্য সভাগী দিপ্যুতি চেয়ারমেন-হরিবন্স, এন.সি.পি. (এস.পি) লুচিংবা সরত পৱারনচিংবা য়াওরি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি বিশ্বখাপতনমদা ইন্টরনেসনেল ফ্লিট রিভিয়ু (আই.এফ.আর) ২০২৬ য়েংশিনখ্রে। মহাকা হেক থুংলবগা ঈষ্টর্ন নেবেল কম্মান্দনা গার্ড ওফ ওনর পীবগা লোয়ননা নেভিগী মকোক থোংবা

ওফিসারশিংনা তরামা ওকখি। মহাকা বিশ্বখাপতনম সমুদ্র খোঙবানদা ভারত অমসুং মপান লৈবাকশিংগী নেভিগী জহাজ কয়াসু য়েংশিনখি।

আই.এফ.আর. অসি সমুদ্রগী লমদা ঙাকশেলগী থবক অমদি মরুপ-মপাং ওইবা লৈবাকশিংগী মরক্তা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

থৌরমদুদা অন্ধ্র প্রদেসকী রাজ্যপাল-এস. অব্দুল নাজির, মুখ্য মন্ত্রি-এন. চন্দ্রবাবু নাইদু, কেন্দ্রগী মন্ত্রি-কে. রাম মোহোন নাইদু, দিফেন্স ষ্টাফকী মকোক জেনরেল-অনিল চৌহান অমদি অতৈ সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

**অমিত ঃ** অসামগী গুৱাহাতিগী সরু-সজাই ষ্টেদিয়মদা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোক্কদবা সেন্ত্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্স (সি.আর.পি.এফ) কী ৮৭ শুবা এন্নিভর্সরি পেরেদতা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা অথোইবা আতিথি ওইনা শরুক য়াগনি।

সি.আর.পি.এফ. অসি অৱাং নোংপোক লমদমগা অচেৎপা মরী লৈদুনা লাক্লি অমসুং লমদম অসিদা শান্তি অমসুং লৈবাক্কী ওইবা শুরক্সা ঙাকবা অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা এন্নিভর্সরি পেরেদ অসি ইহান হানবা ওইনা অৱাং নোংপোক লমদমদা পাঙথোক্কদবনি।

**বার্তন ঃ** চৎলিবা চহি অসিদা ফ্রান্সনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫২ শুবা জি-সভেনগী অৱাংবা থাক্কী মীফমদা শরুক য়ারনবগীদমক ফ্রান্সকী রাষ্ট্রপতি ইম্মানুএল মেক্রোন্না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা বার্তন তৌখ্রে।

ইভিয়ানদা পাঙথোক্কদৌরিবা জি-সভেনগী অৱাংবা থাক্কী মীফম অসিগী মাংওইননা মালেমগী ওইবা এজেনদাগী মতাংদা ভারত অমসুং ফ্রান্সনা য়ান্ন-ৱারোল পুথোকবগীদমক এদহোগ মিতিং অমা পাঙথোকবসু শ্রী মেক্রোননা

হায়রি।

জি-সভেনগী অৱাংবা থাক্কী মীফম অসি আমেরিকা, য়ুনাইতেদ কিংদম, ফ্রান্স, জরমনি, জপান, ইটলি, কানাদা অমসুং য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী চহিগী ওইবা মীফমনি। মমাং চহিদসু কানাদাগী প্রধান মন্ত্রি-মার্ক কার্নিনা বার্তন তৌরকপদগী শ্রী মোদি অৱাংবা থাক্কী মীফম অসিদা শরুক য়াখিবনি।

**ফুটবোল ঃ** ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা চৎখরিবা ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ-২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচশিংদা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈনা আর.সি.রেংদাই-নোনেবু পাঞ্জল ২-৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা য়ু.এস.এ. খুরাই অমদি নেসু খুরাই পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচতা সৈনিক স্কুল ইম্ফাল ওল্ড বোইস এফ.সি. (তেরা) না উৎলৌ এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

**ফুটবোলঃ** দিষ্ট্রিক্ট ফূটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শিনদুনা থৌবাল নিংঙোম্বমদা লৈবা মিণি ষ্টেদিয়মদা চৎখরিবা মঙাশুবা এল. মেচা দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ-২০২৫-২৬ তা য়াইরিপোক এফ.সিনা জে.জে.এফ.এ. থৌবালবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা-এস.এল.ৱাই.ও. তেকচম অমদি এ.এস.এস.এ. সঙাইয়ুম্ফম পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন এম.এন.সি.এনা শিনদুনা তোঙান তোঙানবা ক্রিকেট গ্রাউন্দশিংদা চৎখরিবা ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডল্লিয়ু. প্রহ্লাদা এন্দ ডল্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাইরেঞ্জম পল্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচতা-রেস-খ্বাই

নাগামপাল লামাম্বম লৈকাইনা কে.সি.সি. কোংবা বজারবু ৱিকেট তরেৎতা মায়থিবা পীখ্রে।

মোদেল হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচতনা-ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালনা ক্রাউ-খমনাম বজারবু রন-২৭ তা মায়থিবা পীখি।

**ক্রিকেট ঃ** মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ১৩ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ৱাই.পি.ঐচ.য়ু. ৱারিয়র-লালাম্বুংনা এন.সি.এ. নম্বোলবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখ্রে। ৱাই.পি.ঐচ.য়ুগী বোইচানা মেন ওফ দা মেটচ তাখ্রে।

**ভোল্লিবোলঃ** ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা অসাম রাইফলসনা মোরেল গাইদেন স্কুলগা খুৎশমদুনা সি.ওগী কোমখোংদা চথরকপা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা অসাম রাইফলস ওপন ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ঙসি লোয়শিনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১২ না শরুক য়াখি। ঙসি ফাইনেল মেটচতা বেঙ্গুল য়ুথ দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসননা কে.দি.সি. ফাউবাকচাউবু ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।